## কাবুলদা লৈবা য়ু এস এম্বেসি মনাক্তা টালিবান্না সুইসাইদ বোম্মিং চত্থবদা মীওই ১২ শিরে



কাবুল, সেপ্তেম্বর ০৫ (এজেন্সি) :
টালিবান্না শগোলশেল নুমিত্তা অফঘান কেপিটেল কাবুলদা লৈবা য়ু এস এম্বেসি য়াওনা মরু ওইবা দিপ্লোমেটিক এরিয়া অমা ওইনা লৈরিবা মফম অমদা কার বোম পোকখায়হন্দুনা চত্থখিবা সুইসাইদ এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীচম ১০ অমসুং ফোরেন ফোর্সকী মেম্বর ২ পুন্না মীওই ১২ শিখ্রে।

থৌদোক অসি অফঘান গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিদা য়ু এসনা শোক্লরিবা খ্বাইদগী মতম শাংলক্লবা লান লোইশিন্নবগী পান্দমদা য়ু এস অমসুং টালিবানগী মরক্তা পুরকখিবা অহানবগী দিল থুমনবা মরম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা চয়োল অসিগী মনুংদা চত্থরক্লিবা অনীশুবা এটেক্নি।

মরাল লৈজদ্রবা মীচমশিংবু লেপ্তুনা হাৎলিবা গ্রুপ অমগা মরা তপ্পা ফিভম অমা পুরক্লবা হোৎনবা হায়বসি ৱাহন্থোক লৈরোই হায়না অফঘান প্রসিদেন্ট অসরফ ঘানিগী ষ্টেটমেন্টনা অমনা ফোঙদোকখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী নাস্রাট রহিমিনা ফোঙদোকখিবদা, সুইসাইদ ব্লাষ্ট অদুদা অতোপ্পা মীওই ৪২ অশোক-অপন নংখিবগা লোয়ননা গাড়ি ১২ মাঙ-তাকখ্রে। থৌদোক অদুগী মতুং পুং খরা লৈরগা টালিবান্না য়ুমথংনরিবা প্রোভিন্স অমদা লৈবা মিলিটরি বেজ অমগী মপান্দা কার বোম অমা পোকখায়হন্দুনা চত্থখিবা এটেক্তা মীচম মরি শিরে হায়রি। এটেক অদুগী মতাংদা টালিবান্না হায়খি মদুদি, মখোয়না অফঘান নেসনল সিক্যুরিটি ওথোরিটিশিংগী ওফিসশিং লৈরিবা নীংথিনা ঙক-শেল্লিবা সাসদরাক এরিয়াদা চঙনবা হোৎনবদা ফোরেনরশিংগী গাড়িশিংদা টার্গেট তৌখি।

মফম অদুগী মনাক্তা লৈরিবা নাটো রেজেল্যুট সপোর্ট মিসন অমসুং বৃটিশ লান্মীশিংনা এটেক অদুদা অমাঙ-অতা থোকখিবা নাটোগী ভেহিকল অমা লৌখৎখি। এটেক অদুগী মতাংদা কাবুলদা লৈরিবা নাটো মিসন্না নৎত্রগা বৃটিশ হায় কম্মিসন্না কমেন্ট অমত্তা ফোঙদোকখিদে।

## এয়রপোর্টতগী কিদনেপ তৌখ্রে

কারাচি, সেপ্তেম্বর ০৫ (এজেন্সি) :
মেহরান এঞ্জিনিয়ারিং য়ুনির্ভসিটিগী প্রোফেসর অমসুং সিন্দ প্রোভিন্সকী মমিং চৎলবা অইবা অমসুং ইন্টকিচ্যুএল ইনাম ভাতি য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অঙনবদা কারাচি এয়রপোর্টতগী মশক খঙদবা মীওইশিংনা ফাখ্রে হায়রি।

ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখিবদা, প্রোফেসর ভাতিনা একাদেমিক কনফরেন্স অমদা শরুক য়ানবা ইষ্টাবুলদা চৎননবা কারাচি এয়রপোর্টতা ফ্লাইট ঙাইরিঙৈদা মহাকপু শকখঙদবশিং অদুনা ফাখিবনি।

## ৱারী মখা চত্থরগনি

বৈজিং, সেপ্তেম্বর ০৫ (এজেন্সি) :
চাইনা অমসুং য়ু এসকী নিগোসিএসনগী টিমশিংনা লৈবাক অনীগী মরক্তা মতম শাংনা লৈরকখিবা লল্লোন ইতিক্কী লানগী মতাংদা সোল্যুসন অমা পুরক্লবগীদমক্তা ওক্তোবর থাগী অঙনবা শরুক্তা ৱাশিংটন্দা মীফম পাঙথোক্লগনি হায়না বৈজিংগী মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্সনা ফোঙদোকখি।

## টর্কিনা নোরদর্ন সিরিয়াদা রেফ্যুজি মিলিয়ন অমা নৌনা খুন্দা লৈতাহন্নবা থৌরাং তৌরি



অঙ্কারা, সেপ্তেম্বর ০৫ (এজেন্সি) :
টর্কিনা সিরিয়ন রেফ্যুজি মিলিয়ন অমারোম নোরদর্ন সিরিয়াদা নৌনা খুন্দা লৈতাহন্নবা থৌরাং তৌরি, তৌইগুম্বসুং থৌরাং অসিদা ইন্টরনেসনল সপোর্ট মতিক চানা ফংদবা তারবদি মসিনা য়ুরোপতা মাইগ্রেন্টশিং চঙশিন্নবগী লম্বী নৌনা ফাৎলকপা য়াই হায়না টর্কিস প্রসিদেন্ট টহিপ ইর্দোগান্না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়ন রেফ্যুজি মিলিয়ন ৩.৬ চঙজফম পীদুনা লৈরিবা অমসুং সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্কী মফম খরা কন্ট্রোল তৌরিবা অঙ্কারানা সিরিয়ন ৩৫০,০০০ নোরদর্ন সিরিয়াদা হনখ্রবনি হায়খি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা শেল্লিবা সেফ জোন অমদা অহেনবা রেফ্যুজি কয়াসু থাজিনবা য়াগনি হায়নসু ইর্দোগান্না ফোঙদোকখি।

অসিগুম্বা সেফ জোন অমা শেমদুনা টর্কিনা টেন্ট সিটিশিংদা লৈহনবগী মহুত্তা মখোয়গী ওইবা লমশিং অদুদা টাউন কয়া শেমগৎ-শাগৎপদা মতেং পাংবা য়াই। রেফ্যুজিশিং অদুবু সিরিয়াদা লৈরিবা সেফ জোনশিংদা পুনবা হোৎনসি হায়না ইর্দোগান্না অঙ্কারাদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৬ কী মার্চতা ঈ য়ু অমসুং টর্কিগা য়ানখিবা দিল অমগী মখাদা অঙ্কারানা য়ুরোপ্তা মাইগ্রেন্টশিং চঙবা লাকশিনবগী ৱাফম লৈবাক অসিদা ঈ য়ুনা য়ুরো বিলিয়ন কয়াগী মতেং পীবগী ফিভমদা য়াখিবনি।

## ইরানগা ৱারী শান্নদনবা মালেমগী পৱারশিংদা তকশিনখ্রে



লোদ, সেপ্তেম্বর ০৫ (এজেন্সি) :
ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা শগোলশেল নুমিত্তা মালেমগী পৱারশিংদা ইরানগা ৱারী শান্নবা হৌবগী খোঙথাং লৌখত্তনবা তকশিনখ্রে।

টেহরানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম অমসুং ইরানগী মথত্তা থল্লিবা অথিংবশিংগী মতাংদা থোক্লিবা ৱাথোক লৈখায় তাবা য়ানবগীদমক্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরানগী মহাক্কী লেংমান্নবগা উনরবা য়াই হায়ন ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা নেটনয়াহুনা আপিল অসি তৌখিবনি।

হৌজিক ইরানগা ৱারী শান্নবগী মতম নত্তে। হৌজিক্তি ইরানদা প্রেসর পীবা হেনগৎপগী মতমনি হায়না নেটনয়াহুনা লন্দন্দা পাইদ্রিঙৈগী মমাংদা বেন গুরিওন এয়রপোর্টতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

নেটনয়াহুগী ৱাফম অসিনা রাইট-ৱিং ইজরেলি লিদর অসিগা প্রসিদেন্ট ট্রম্পকা ইরানগী ন্যুক্লিয়র ইশ্যু মতাংদা মোৎ মান্নদে হায়বসি উৎলি। মমাংদা নেটনয়াহুনা ফ্রান্সতা ইরানগা ৱারী শান্নদুনা লৈবাক অসিগী ইশ্যু সোল্ভ তৌনবা হোৎনবগী থবক লেপ্পবা পাউতাক পীবা লৈখ্রবনি।

খুদিংমক ওইথোক্তবা লৈরোই হায়রদুনা ট্রম্পনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিগা ন্যু য়োর্কতা পাঙথোক্কদৌরবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা উনবা য়ানবগী থোঙ হাংখি। টেহরানগী মায়কৈদগীদি করিগুম্বা ট্রম্পনা কুমজা ২০১৫ গী ইরানিয়ন ন্যুক্লিয়র দিলদগী ৱিথদ্রো তৌখিবা মতুংদা মহাক্না থমখিবা অথিংবশিং লৌথোক্ত্রিমখে ৱাশিংটনগা ৱারী শান্নরোই হায়না কন্না ফোঙদোকখ্রবনি।

ইরাই নুমিত্তগী সেন্ট্রিফ্যুজশিং শেমজিন শাজিন্দুনা পৱার প্লান্টশিংদা নৎত্রগা এটোমিক বোমশিং শাবদা শীজিন্নবা য়াবা য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্টগী থবক খোঙজেন থুজিনহনবা হৌরগনি হায়নসু ইরান্না ফোঙদোখ্রবনি। সেন্ট্রিফ্যুজকী খোঙথাং অসি ইরান্না কুমজা ২০১৫গী দিলগী মখাদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং কন্ট্রোল তৌনবগী কম্মিটমেন্টশিং হুন্থহনবগী খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংনি।

## এক্সট্রাদিসন বিল ৱিথদ্রো তৌবগী ৱারেপ চাইনানা শৌগৎলি অমসুং ইকাই খুম্নে : হোং কোং লিদর

হোং কোং, সেপ্তেম্বর ০৫ (এজেন্সি) :
হোং কোংগী লিদর কেরি লাম্না শগোলশেল নুমিত্তা হায়খে মদুদি, মহাক্কী গভর্নমেন্টনা এক্সট্রাদিসন বিল অমা হৌনবি মতুং ইন্না ৱিথদ্রো তৌনবা লৌরক্লিবা খোঙথাং চাইনানা মুন্না খঙবগা লোয়ননা ইকাই খুম্নে অমসুং শৌগৎলি।

পনবা য়াই, হান্নগী কোলোনেল রুলর বৃটেন্না চাইনিজ লৈঙাক্তা শীন্নখ্রবা সিটি অদুদা থা কয়ামুক চুপ্পা মীয়ামগী অকনবা ইরাং লৈরকখিবদু নেমথহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইনবগী পান্দমদা হোং কোংগী লিদর অসিনা বিল অদুবু ৱিথদ্রো তৌখিবনি।




পাউমীশিংনা চোন্না তিনখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা লামদা হোং কোংগী সিটিজনশিংনা প্রোটেষ্ট তৌবা হেনগৎলকপা লৈরবসু ক্রাইমদা চেন্নে হায়না চিংনবা মীওইশিংবু মেনলেন্দ চাইনাদা ৱায়েল মায়োক্নহন্নবা থাবা য়াহনগদৌরিবা মীয়াম্না পান্নদ্রবা বিল অদুবু ৱিথদ্রো তৌবদা করিগী মতম শাংনা চঙলিবনো হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন্না হংকিবদা মহাক্না ৱাহংশিং অদুগী পাউখুম পীদনবা হোৎনখি।

শুপ্পুগী খোঙথাং অসি ৱাখল হোংলকপগী মতুং ইন্না লৌখৎলকপনি হায়না পাউখুম পীবনদি মতিক চারোই হায়না মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মহাক্না বিল অদুবু মপুং ফানা ৱিথদ্রো তৌবগী ৱারেপ অদু বৈজিংনসু য়াবদগী মহাক্কী গভর্নমেন্টনা লৌখিবনি হায়খি। চৈরকসিদা ওফিসল চাইনা দেলিনা বিল অদু ৱিথদ্রো তৌরিবসিনা প্রোটেষ্টরশিংদা এদমিনিষ্ট্রেসন্না সিটি অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লিংবা পাম্মী হায়বসি উৎলি হায়খ্রে।

## সোলোমোন আইলেন্দসনা টাইৱানগা দিপ্লোমেটিক ওইবা মরী তৎনদুনা বৈজিংগা মরী থম্নরগনি



সিদনি, সেপ্তেম্বর ০৫ (এজেন্সি) :
সোলোমোন আইলেন্দসনা টাইৱানগা দিপ্লোমেটিক মরী তৎনদুনা বৈজিংগা ওইনা মীচং ওইনবা পাম্মী হায়না সাউথ পেসিফিক্তা লৈবা অর্কিপেলাগো অদুবু রিপ্রজেন্ট তৌরিবা অৱাংবা থাক্কী গভর্নমেন্ট টিম অমগী লিদরনা হায়খ্রে।

হৌনবী মতুং ইন্না ৱারেপ লৌগদবা লৈরিবা ইথৎ লৈবাক অদুগী থৌরাং অদু টাইৱানবু ষ্টেট মশেলগী ওইবা মরী থম্নবগী রাইট লৈতবা লমহেনবা চাইনিজ প্রোভিন্স অমনি হায়না খন্নরিবা চাইনাগী ওইনদি তরাম্না ওক্লিংঙাই ওইবা খোঙথাং অম ওইরি। বৈজিংনা টাইপৈগা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নরিবা লৈবাকশিংবু থেমদুনা পুথোক্লগা চাইনাগী ইথিল মনুংদা লাকহন্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

সোলোমোন্সকী লোমেকর পিটর সানেল অগোভাকানা পর্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি অমদা হায়খি মদুদি, চহী ৪০ রোম নীং তম্না লৈরক্লবা অমসুং টাইৱানগা মতম শাংনা অনকপা মরী থমদুনা লাক্লবা মতুংদা হৌজিক্তি অহোংবা লাকহনবগী মতম ওইরে। ঐখোয়না মথংগী চহী ৪০ অসিদি ঐখোয়গী মরুপ ওইরিবা টাইৱানগা চৎমিন্নবা য়াররোই। হৌজিক্তি ঐখোয়গী পুন্সিগা খুৎশম্নবা চৎমিন্নগদবা অনৌবা মরুপশিং শেম্বগী মতম ওইরে হায়না অগোভাকানা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কেপিটেল হোনিয়ারাদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুগী রেকোর্দিং অমগী মতুং ইন্না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী অনৌবা মরী অদু ৱান চাইনা পোলিসি হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইগনি। পোলিসি অসিনা বৈজিংখক্তবু ওফিসল গভর্নমেন্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ওইনা শকখঙলিবনি। অগোভাকা অসি হন্দক্তা বৈজিংগা হকথেংননা ৱারী শান্নবগীদমক্তা শেমখিবা গভর্নমেন্ট টিম অমগী লিদর অমসুং সিনিয়র মিনিষ্টর অমনি।

সোলোমোন আইলেন্দস চাওখৎহন্নবা শেলগী মতেং পীবা য়াই হায়না হন্দক্তা চাইনিজ গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা ইথৎ লৈবাক অসিনা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

## জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর অবেনা ৱার্ল্ড ৱার টুগী পিছ ট্রিটি খুৎয়েক পীনসি হায়বদা রাসিয়াগী পুটিন্না য়াখিদ্রে

ৱ্লাদিভোষ্টোক, সেপ্তেম্বর ০৫ (এজেন্সি) :
টোকিয়োনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মিলিটরি মরী থম্নবা অমসুং অতৈ ইশ্যু কয়ানা মরম ওইদুনা জপান অমসুং রসিয়ানা ৱার্ল্ড ৱার টুগী পিছ ট্রিটি অমা খুৎয়েক পীনবদা ৱানা থোক্কনি হায়না রাসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন্না শগোলশেল নুমিত্তা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সীনজো অবেগা ৱারী শান্নবদা ফোঙদেকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর অবেনা পুটিন্দা লৈবাক অনীবু পিছ ট্রিটি অমা খুৎয়েক পীনবদা অয়েৎপা ওইহল্লিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা ইথৎ পরিং অমগী মতাংদা য়েৎনবগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা য়ানবা হোৎননবা তকশিনখিবা মতুংদা রাসিয়াগী ফার ইষ্ট লমদমদা পাঙথোকপা ইকনমিক ফোরম অমদা পুটিন্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।



মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও লোইশিল্লকপা মতমদা সোভিয়েট টুপশিংনা খুদুম চনখিবা নোংচুপ থংবা পেসিফিক্কী ইথৎশিং অদুবু টোকিয়োনা জপানগীনি হায়দুনা ক্লেম তৌরিবনি। ইথৎশিং অদুবু জপান্দা নোরদর্ন টেরিটরিজ হায়না খঙনৈ অদুগা রাসিয়াদনা সাউদর্ন কুরিলস হায়না খঙনৈ।

রসিয়ন লিদর অসিনা মতুংগী মতম অমদা পিছ ট্রিটি অমা খুৎয়েক পীনবা য়াগনি হায়বগী থাজবা মঙোন্দা লৈ। অদুনা লৈবাক অনীনা মতম শাংলক্লবা য়েৎনবা অদুগী ৱারোইশিন শোয়দনা পুরকপা য়াগনি হায়খি।

পুটিন্না মখা তারদুনা চেকশিন্না হায়খি মদুদি, মিলিটরি, দিফেন্স ইশ্যুশিং, সিক্যুরিটি ইশ্যুশিং লৈরিবসি ঐখোয়গী ওইনা লাইবক থিবনি হায়বা য়াই। জপান্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওনা লৈবাক খরদা থাজবা পীদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং রসিয়ানসু খঙই। জপানগী লমশিংদা য়ু এস মিলিটরি সিষ্টেমশিং দিপ্লোই তৌবগী মতাংদা মোস্কোনা নুংনাংবা উৎখ্রবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। পুটিন্না ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা অবেনা রসিয়া অমসুং জপানগী মরক্তা লৈরিবা লল্লোন ইতিক্কী মরীবু থাগৎপা ফোঙদোকখি অমসুং লৈবাক অনীগী মরীদা লাকফম থোকপা মথংগী খোঙথাংদি লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংগী পুৱারীগী মিসন অমা ওইরিবা পিছ ট্রিটি অমা খুৎয়েক পীনবনা ওইগনি হায়খি।

## জপান্দা ট্রক অমসুং ট্রেন থেংগায়নবদা ১ শিরে ৩৪ শোক্লে



টোকিয়ো, সেপ্তেম্বর ০৫ (এজেন্সি) :
জপানগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি ওইরিবা য়োকোহমাদা শগোলশেল নুমিত্তা ট্রক অমগা মীওই ৫০০ তোংবা এক্সপ্রেস ট্রেন অমগা থেংগায়নবদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং য়ামদ্রবা অতৈ মীওই ৩৪ অশোক-অপন নংখ্রে।

এক্সিদেন্ট অদুদা ট্রক অদু মৈ চাকখিবগা লোয়ননা ট্রেনদুগী বোদি তঙঘায় অমা রেলৱে ট্রেক্সতগী হায়দোকখি হায়রি। কেপিটেল টোকিয়ো য়ৌবা রেল লিঙ্ককী সর্ভিসশিং লেপহনখিবা এক্সিদেন্ট অদুদা দ্রাইভরগী কম্পাটমেন্ট অদুগী গ্লাসশিং কায়খি অমসুং ট্রেন অদুগী কেরিয়েজ ৮ গী মনুংদা অহুম ট্রেক্সতগী হায়দোরকখিবগা লোয়ননা মকোক থংবা কেরিয়েজ অদু ফিভম থিনা শুপচিনখি।

গ্লাস কায়বগী মখোল অদু অদুক্কী মতিক হৌখি হায়না পেসেঞ্জর অমনা নেসনল ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেদা ফোঙদোকখি।

ফয়ার ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, শাথিরবা এক্সিদেন্ট অদুদা মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা দ্রাইভর অদু শিখি অমসুং নুপী অমনা ফিভম থিনা শোকখি। অতৈ অশোকপশিং অদুদি অরুবা ফিভম অমত্তা নত্তে হায়খি।

এন ঐচ কেনা ট্রেন কম্পনি কৈক্যু কোর্পকী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা, ট্রক অমা লাল্লকপা উবদা ট্রেনগী দ্রাইভর অদুনা ব্রেক ফানবা হোৎনখি অদুবু মহাক্না ট্রেন অদু মতম চানা খাম্বা ঙমখিদে। ক্রাস অদু থোক্ত্রিঙৈ মতম য়াম্না ৱাৎলিঙৈদা ট্রেন অদুগী হুইসল মতম শাংনা খোঙবগী মখোল তাখি হায়না পেসেঞ্জর অমনা ফোঙদোকখি। হৈ-রাশিং পুদুনা লাকখিবা ট্রক অদু এক্সিদেন্ট অদুগী মতুংদা ট্রেন অদুগা ৱাল অমগগী মরক্তা চপশিন্দুনা লৈখিবগা লোয়ননা খুদক্তা মৈ চাকখি।

## য়ুক্রেন্না এম ঐচ ১৭ গী সস্পেক্ট বেলদা থাদোকখ্রে

কিভ, সেপ্তেম্বর ০৫ (এজেন্সি) :
কুমজা ২০১৪ দা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা মালেসিয়াগী এয়র লাইন্সকী ফ্লাইট অমা কাপথদুনা মীওই ২৯৮ শিহনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওই অমা শগোলশেল নুমিত্তা য়ুক্রেনগী কোর্ট অমনা বেলদা থাদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী সিক্যুরিটি সর্ভিসনা ইষ্টর্ন য়ুক্রেন্দা ওপরেট তৌরিবা রসিয়ানা শৌগৎপা সপেরেটিষ্ট ফোর্সশিংগী হান্নগী কাম্মান্দর অমনি হায়না মশক তাকখিবা ভোলোদিমির টসেমাখ হায়রিবা মীওই অদু মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরিঙৈ মনুংসিদা খুদক্তা থাদোক্কদবনি হায়না জজ অমনা হায়খি।



টসেমাখ অসি প্রিজনরশিং ওন্থোক্লবগী প্রোগ্রাম অমগী মখাদা রসিয়াদা শীন্নখিগদবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি। হৌখিবা চয়োলদা দটচ প্রোসিক্যুটরশিংনা য়ুক্রেনগী ওথোরিটিশিংদা টসেমাখবু রসিয়াদা চৎপা য়াহন্দনবা তকশিনখিবনি।

মহাকপু রসিয়াদা চৎহনখিবা তারবদি অমষ্টরদামদগী কুলা লম্পুরদা পাইখিবদা লমখাংদা কাপথখিবা ফ্লাইট এম ঐচ ১৭ কায়খিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবদা য়ুম্ফম ওইরগা প্রোসিক্যুটরশিং অদুনা মহাকপু রসিয়াদা চৎপা য়াহন্দনবা তকশিনখিবনি।

য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর কাটি পিরিগী মতুং ইন্না চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ুরোপিয়ন পোলিটিসন ৪০ না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সিকিদা ৱাফম অসিমক হায়জরদুনা চেরোল অমা ইখি।

রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন্না শগোলশেল নুমিত্তা প্রিজনরশিং ওন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নবদা ৱারোইশিন অমা লাকপা য়াবগী ফিভম লৈরে অমসুং প্রোগ্রাম অদুদা চেন্নগদবা প্রিজনরশিংগী মশিং য়ামগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।